# উন নিংখায়রকপা অমসুং য়ুম তেকপদা মীওই ১১ শিরে

**শ্রীনগর, মার্চ ১২ ঃ** জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা য়ুম কয়া উন নিংখায়রকপনা মরম ওইরগা অকায় অতোয় থোকপদগী লান্মীগী জৱান ২ য়াওনা মীওই ১১ শিখ্রে। লোয়ননা অতোপ্পা মীওই ১০০ হেন্না শাফগদবা মফমশিংদা থাংদোকখ্রে হায়রি।

উন নিংখায়রকপগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা সিফাইশিং অদুদি নাইক বিজয় প্রসাদ অমসুং ধরমিনদ্রা সিংহনানি। মখোয় লাদক রিজনগী কার্গিল সেক্তর কেম্পতা লৈবা ৮২ শুবা রেজিমেন্টকী পার্সোনেলশিংনি হায়রি। লৈখিদ্রবা লান্মী পার্সোনেলশিংগী হকচাংশিং অদু ফংবা ঙমখ্রে।

কাশ্মিরগী গুলগাম দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা দমহাল হনজিপোরা লমদমদা লৈবা পৈসেরন-দ্রাগদুন খুঙ্গংদা লৈবা য়ুম অনিদা উন কিন্থরক্তুনা ননশিনখিবদগী মীওই মরি শিখি। কাজিগুন্দ লমদমগী মিমিগম খুঙ্গংদা শাথিবা মওংদা উন তাশিল্লকপদগী য়ুমথক্কী শরুকশিং কিন্থরকপনা মরম ওইরগা য়ুম অদুদা লৈরম্বা চহি ৪৮ লোম শুরবী নুপী অমা শিখি। কার্গিল সেক্তরগী ককছারদা লৈবা ষ্টোন ক্কারি অমদা থবক তৌবা নেপালি লেবর অহুমসু উন কিন্থরকপা অদুনা মরম ওইরগা শিহনখি হায়রি।

ঙরাং অহিং সোপিয়ান দিষ্ট্রিক্তকী খা থংবদা লৈবা কানচু খুঙ্গংদা অহিং চুপ্পা উন তাশিনখিবনা মরম ওইরগা অরুম্বা অদু পুবা ঙমদবদগী য়ুম কয়া নিংখায়খি। থৌদোক অদুদা চহি ৬০ শুরবী ফাজি কৌবী নুপী অমা শিখি হায়রি। পুলিসকী ৱাঙাংলোই অমনা ফোংদোকখিবদা গুজার ফেমিলি হায়না খঙনবা কাংবু অমগী মীওই ৬৫ ৱাল তেঙ্গো নারদা লমদমদা লৈবা কাজি গুন্দগী শাফগদবা মফমশিংদা থংদোকখ্রে।

গুজার ইমুং মনুংগী মীওই ২৪ মিরাসি নালা লমদমদগী হেন্না শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকখ্রে হায়না জম্মু অমসুং কাশ্মির পুলিসকী স্পোক্স পার্সন অমনা ফোংদোরক্লি।

মীওই অনি কাসিম খটানা অমসুং মহম্মদ ইকবাল বরকত মুসপোরা খুঙ্গংদগী কনখিবগা লোয়ননা শাফগদবা মফমশিংদা থংদোকখ্রে হায়রি। অতোপ্পা রেস্ক্যু ওপরেসন চথখিবদা রেস্ক্যু পার্টি অদুনা ইমুং অনিগী মীওই ১০ সোপিয়ান লমদমদগী কনবা ঙমখ্রে হায়রি। মীওই মঙা মঙা লৈবা ইমুং অনিগী মীওইশিংসু সোপিয়ান লমদমদগী মী কনবা কাংবুশিংনা কনবা ঙমখ্রে হায়রি।

খুঙ্গং অদুগী মীওইশিং শাফগদবা মফমশিংদা থাংদোকখ্রে হায়না খুঙ্গং অদুগী মকোক মোসাৱারানা ফোংদোরক্লি। মহাক্না মখা তানা ফোংদোরকখিবদা, য়ৌসুপ গানি লমদমদগী মীওই কয়া শাফগদবা অতোপ্পা য়ুমশিংদা থাংদোকখ্রে হায়রি। অহানবা ওইনা ফংবা পাউগী মতুং ইন্না লমদম অদুদা লৈবা মীওই ১৫০ গী লৈফমশিং মাংহন তাকহনখ্রে। লোয়ননা শেমগৎ-শাগৎলিবা থবক কয়া উন থানা তাশিল্লকপা অদুনা মরম ওইরগা অমাং অতা থোকহনখ্রে হায়রি।

অৱাংথংবা কাশ্মিরগী কুপৱারা দিষ্ট্রিক্তনা খ্বাইদগী হেন্না অমাং অতা থোকপগী ফিভমদা লৈরি। কাশ্মিরদা উন থানা তাশিল্লকখিবা অদুনা মরম ওইরগা লমদম অদুগী মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা থোক্লে হায়না ওফিসিয়েল ওইবা পাউ অমনা ফোংদোরক্লি। উন থানা তাশিল্লকপা অমদি লমদম অদুগী পুন্সি মহিংদা অকায়বা পীরকখিবা অদুনা মরম ওইরগা লমদম অদুগী পৱার অমসুং ঈশিং সপ্লাই তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লে হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ত এদমিনিষ্ট্রেসনগী মতুং ইন্না কাশ্মির তম্পাক্কী লমদমশিংদা উন কিন্থরকপা য়াবগী খুদোংথিবা কয়া মায়োক্নবা য়াই হায়না ৱার্নিং তৌরি। লোয়ননা লমদম অদুগী মীওইশিংনা চীংশিংদা কাখৎলুদনবা খঙহল্লক্লি।

চৎলিবা চহি অসিগী দিসেম্বরগী অরোইবা চয়োলদগী কাশ্মির অমসুং থংনবশিংদা উন তাশিনবগী অৱাবা ফিভম কয়া মায়োক্নদুনা লাকখি। মমাংগী চয়োলদসু কাশ্মিরগী লমদমদা উন কা হেন্না তাশিনবদগী লমদম অদুগী মীয়ামগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা থোকহনখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অদুগা শম্নরিবা রেলৱে লাইনশিং ফাওদোকপা য়াদবদগী ট্রেন কয়া কেন্সেল তৌখিবা লৈখ্রবনি। ফিভম অদু চৎলিবা থা অসি ফাওবা মায়োক্নবগা লোয়ননা লমদম অদুগী মফম কয়াদা উন তাশিনবনা মরম ওইরগা লন্বী ফাওনদবা অমদি উন নিংখায়রকপা থৌদোক কয়াদা মীওই কয়া শিহনখ্রে। অঙৈং অশাগী খল কায়রকপগী মতুং ইন্না কা হেন্না ঈংবগী ফিভম অমা ঙসি জম্মু অমসুং কাশ্মিরনা মায়োক্নরি। ফিভম অদুনা মরম ওইরগা লমদম অদুগী মীয়ামগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা পীরে।



## অচুম্বদু খঙমিন্নসি

### কংলৈপাক্কী নিংথৌশিং –২

*ঙসিগী সাইন্টিফিক এজ অসিদা হিরম খুদিং সাইন্সনা প্রুফ তৌবা ঙাক্তা চুমগনি হায়বসি চুমদুনা লৈরবসু সাইন্সনা প্রুফ তৌবা য়াদবা হিরমশিং লাল্লি, অচুম্বা ওইদে হায়রুবদি য়াদে। সাইন্সনা প্রুফ তৌবা ঙম্বগী ৱাংমদা লৈবা হিরমশিং মণিপুরদা অচুম্বা ওইনা লৈবা কয়া য়াওরি। মণিপুর কংলৈ লৈকোইপুং চীংলৈবাক অসিগী পুৱারীসু, হৌজিক হেক্তা সাইন্সনা প্রুফ তৌবা য়ারোইদবা মওং অমদা, মতমদুদা লাইগা মীগগী মরক্তা শাগৎখিবা লৈশেমলোনগী ৱারীনি। অদুবু কলমসিদা কংলৈপাক্কী ৱারী খজিক খজিক ৩৩ এদিদগী হৌরগা লৌখৎপনি। খৃষ্টগী মতুং হায়বদি ৩৩ এদি অসিদা মতমদুদা কংলৈপাক্কী কোন্নচক (কলি) কী কুমশিং (চহি) ৩১৩৫ শুরে। ৩৩ এ দি দা পানখিবা কংলৈপাক্কী নিংথৌ অসি নোংদা লাইরেন পাখংবানি। নোংদা লাইরেন পাখংবদগীনা নাউখম্বা ফাওবা নিংথৌ তরেৎ অসি মখোয় মখোয়গী শিষ্বা লোয়রগা মাংখি। ৩৩ এ দি দগী ১৫৪ ফাওবা চহি ১২০ নিংথৌ ওইখিবা নোংদা লাইরেন পাখংবসি কমদৌনা কংলৈপাক্তা শাফোংলকখিবগে খঙমিন্নসি।*

*খুইয়োক তোম্পোক (খৃঃ ১৫৪–২৬৪) ঃ মথংদা শীবোং লমদমদা লৈনুং তৌদুনা য়েংবদা কোরি ফংখি। মফমদুদসু নুংপাক্তা ইদুনা থমখি। মতম খরা লৈরগা শাপোৎ মীপোৎ শেমদুনা খৌবুম দোলান চীংদা কাদুনা লোকনুং তৌদুনা য়েংবদা মশেক মঙাল নাইবা তমফা য়াইগুম্বা নুংঙৌ ফংই। চশাৎ, তমেংলোং অমসুং মোম্বী চীংগী অকোয়বদা অঙাংবা, অশংবা, নাপু, মেনমানবা নুং মচু মখল মাপল ফংই। মথংদা তৌপোকপী, ককচিং খুনৌ মমাঙ কোইজম কোজ্জিন, অরাং, তাংঙৌ, তুসুকলোক, শোকপাউ, য়াংদৌপোকপী, উখুল, পুখাউনচিংবা মফম তরা মাপলদা শুনু পেরে ফংই। ৱাইখোং, চন্দ্রখোং, ইথম, মোম্বৌ, শিংখোং, নিঙেল, তোরবুং, ইঙৌ চীংখোং, লম্মাংতোক্লচিংবা মফম তরামঙাদনা থুমগী থুমখোং ফংখি। কংলৈ ঈরেন নুংজেং, কোংবা মৈরোংবীদনা মমল য়াম্বা ধাতু সনা, লুপা ফংই। নিংথৌ মহাকথক্তা নোং তাদদুনা কুমথি কুমগাংবনা লৈবাক মীয়াম ৱানরবদা পুংজাউ থিন্দুনা লৈবাক্কী অঙম অথৌ মাইবা মাইবী কৌখৎলগা ৱা তান্নরম্মী। খোঙাক কুরুম্বা কুরুম্বী খোয়ুম লাইওইবা অনিগা লোয়ননা লৈবাক মীয়াম হুপ্পা নোং লাউরে। “নোংও চুথরো, লাংজিং মতোল থুমহৎলো, খোঙঙা খুলগী মচিথেল থেঙ্গুম কুরুম লোইবী চীং হনুবা হনুবী তাউথরো” অসুন্না নোংলাউবদসু নোং তারকখিদে। ... মথং মথং*

# মতম নত্তবা লেন য়াওবা নোংলৈ নুংশিৎনা ষ্টেট কয়াগী মহৈ-মরোংশিং মাং তাকহনখ্রে



**নিউ দিল্লি, মার্চ ১২ ঃ** মতম নত্তনা চুরকখিবা নোং অমসুং লেন্দ য়াওবা নোংলৈ নুংশিৎনা লৈবাক অসিগী মফম কয়াগী মহৈ-মরোংশিং মাং তাকহনখ্রে। মাং তাকহনখ্রবা ষ্টেটশিং অদুদি উত্তর প্রদেশ, রাজস্থান, মৈধ্য প্রদেশ, মহারাষ্ট্র, পঞ্জাব, গুজরাট, উত্তরখন্দ, হরিয়না অমসুং অন্ধ্র প্রদেশনি হায়রি।

নিংথম লৌরোক্তা মরী লৈনবা উহৈ-ৱাহৈ অমসুং মনা মশিং কয়া মহারাষ্ট্র ষ্টেটতা মাংহন তাকহনখ্রে। মদুনা মরম ওইরগা লমদম অদুগী লৌমী মিলিয়ন মঙারোমদা তম্বা ঙমদবা নোং অদুনা অৱা অনা নংহনখ্রে হায়রি। এগ্রিকলচর কম্মিস্নর উমাকান্ত দনগটনা পাউমীশিংদা ফোংদোরকখিবদা, হৌখিবা নুমিৎ ১০ নিগী মনুংদা অকনবা নোং অমসুং লেন্দ য়াওবা নোংলৈ নুংশিৎনা দিষ্ট্রিক্ট ২৮ দা লৈবা লম হেক্তর ৮,০০০০০০ তা অমাং অতা থোকহনখি। অমাং অতা থোকহনখ্রবা ষ্টেটশিং অদুগী লৌমীশিংনা সেন্টরগী রিলিফ ফন্দশিং ঙাইহিরি। মৈধ্য প্রদেশকী চিফ মিনিষ্টর সিবরাজ সিংহ চৌহাননা হায়খিবদা, ষ্টেট অদুগী মফম কয়াদা থোকখিবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অমসুং লেন তাবা অদুনা মরম ওইরগা লৌমী কয়াগী মহৈ মরোংশিং মাংহন তাকহনখ্রে। মদু চাওরাক্না লুপা ক্রোর ১৩,০০০ লোম ওইগনি হায়রি।

চৌহাননা মখা তানা ফোংদোকখিবদা লেন য়াওবা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা খুঞ্জা লিশিং ৩০ দা অৱা অনা নংহনখিবগা লোয়ননা গেহু মেত্রিক টন লাক্ষ ২০, মরু মরাং মেত্রিক টন লাক্ষ ১০ অমদি অতোপ্পা মহৈ মরোং মেত্রিক টন লাক্ষ ১.৫ রোম মাংহন তাকহনখ্রে হায়রি। ষ্টেট অদুগী তোঙান তোঙানবা মফমশিং হেরোজেপুর, গুরদাসপুর, পথান কোদ, নাৱাসনহার, মোহালি,টরননচিংবা পঞ্জাব অমসুং হরিয়ানাগী মফম কয়াদা অমাং অতা থোকহনখ্রে হায়রি।

# মুম্বাইদা নুপীমচা অমা মীওই ৩ না মোলেষ্ট তৌবিখ্রে

**মুম্বাই, মার্চ ১২ ঃ** নুপীদা চত্থবা ক্রাইমগী মতাংদা খন্ন-নৈনরিঙৈগী চৈরক্তা ঙরাং লৈবাকপোকপা নুমিত্তা চহি ১৮ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমা নুমিৎ মঙাল লৈরিঙৈদা মুম্বাইগী কান্দিভালি লমদমদা মীওই অহুম্না মোলেষ্ট তৌবিখ্রে হায়রি।

মুম্বাই সহর অসি নুপীশিংগী ওইনা খ্বাইদগী শাফবা মফম অমা ওইনা খন্নরিবা মফমনি। অদুম ওইনমক মফম অদুদা নুপীমচা অমা মীওই কয়ানা মোলেষ্ট তৌবিখিবগী ৱাফম লাক্লি। রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিৎয়ুংবা মতুংদা নুপীমচা অদুনা ওটো রিক্সো তোংদুনা লাক্লবা মতুং দ্রাইভর অদুগা ভারাগী মতাংদা য়েৎনরিঙৈদা থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়রি। তাঞ্জা অদুদা নুপীমচা অদুগী অকোয়বদা মীওই কয়া য়োমশিল্লকপগা লোয়ননা মহাকপু খুদোংচাদবা ফিভম অদু মায়োক্লহনখি। অদুম ওইনমক নুপীমচা অদুনা মফম অদুদগী নাম্থোক্লবা হোৎনখি। অদুম ওইনমক মফম অদুদা লৈরম্বা নুপাশিং অদুনা মহাকপু নমদুনা মোলেষ্ট তৌবিখিবনি হায়রি। থৌদোক অদুগী মতুংদা পুলিস কন্সটেবল অমনা নুপীমচা অদুবু কনবিখি। লোয়ননা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মীওই মরিসু ফাগৎখ্রে হায়রি। থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওইশিংগী মনুংদা অনিদি চহি শুদ্রিবা মীওইনি হায়রি।

# রাহুল গান্ধীগী মথক্তা দিফেমেসন কেস থাঙ্গৎখ্রে

**লক্ষনৌ, মার্চ ১২ ঃ** কংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীগী মথক্তা রাষ্ট্রিয়া স্বায়ম সেবক সজ্ঘনা দিফেমেসন কেস অমা থাঙ্গৎখ্রে। রাহুল গান্ধীনা চৎলিবা থা অসিগী ৬ তা মহারাষ্ট্রদা পাংথোকখিবা মীখলগী রেল্লি অমদা রাষ্ট্রিয়া স্বায়ম সেবক সজ্ঘনা মহাত্মা গান্ধী হাৎপনি হায়না ফোংদোকখিবা ৱাফম অদুগী মতাংদা কেস অদু থাঙ্গৎলকখিবনি।

কেস অদু লৈবাকপোকপা নুমিত্তা উত্তর প্রদেশকী লক্ষিমপুর ক্ষেরি দিষ্ট্রিক্টতা থাঙ্গৎলকখিবনি। সানু সুকলা কৌবা পিপল ফোর লিগেল এদ সোসাইটিগী কনভেনরগী উকিল অমনা থাঙ্গৎলকখিবা কেস অদুদা পনখিবদা মহাত্মা গান্ধী হাৎখিবগী মতাংদা থিজিন হুমজিনবা এজেন্সি অমসুং কাপুর কম্মিসন্না ময়েক শেংবা ৱাফম ফোংদোকখিবা লৈখ্রে। আর এস এস না মীহাৎ অদুদা চেন্নে নত্রগা চেন্নদে হায়বদু ময়েক শেংনা ফোংদোকখ্রবনি। রাহুল গান্ধীগী ৱাফম অদুনা সজ্ঘ পরিবারগী মীংচৎ থিহনবতা নত্তনা অতোপ্পা মীওই কয়াগী পুক্নিং নুংঙাইহন্দ্রে হায়না পল্লি।

# ছটিশগরগী মাওইষ্ট এটেক থিগৎনবা হোম মিনিষ্টর সিন্ধেনা খঙহনখ্রে



**রাইপুর, মার্চ ১২ ঃ** লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ছটিশগরগী অসুকপা জঙ্গলদা মাওইষ্টশিংনা এটেক চত্থরকপদগী সেক্যুরিটিগী মীওই ১৫ য়াওনা মীচম ১শিহনখিবা থৌদোক অদু নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সিদা থিগৎহন্নবা হোম মিনিষ্টর সুশিল কুমার সিন্ধেনা ঙসি য়ুমশকৈশা নুমিত্তা য়াথং তৌখ্রে।

ঙসি অয়ুক অঙনদা হোম মিনিষ্টর সুশিল কুমার সিন্ধে অমসুং ছটিসগরগী চিফ মিনিষ্টর রামন সিংহনা লৈখিদ্রবা সেক্যুরিটি পার্সোনেলশিং অদুগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎখ্রে। লৈখিদ্রবশিং অদু মাওইষ্টশিংনা অকনবা মওংদা এম্বুস তৌরকপদগী লৈখিদবনি হায়রি। চত্থরকখিবা এটেক অদুবু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌবগা লোয়ননা সুশিল কুমার সিন্ধেনা ফোংদোকখিবদা, মাওইষ্টশিংনা সি আর পি এফ কী মীওইশিংদা অকনবা মওংদা এটেক লাক্লিবা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা চত্থরকখিবা ওইরম্বা য়াই। অদুম ওইনমক চত্থকখিবা এটেক অদুনা মরম ওইরগা লোক সভাগী লেপখিবা তারিখ অদুদা হোংদোক হোংজিন লৈরোই। লোয়ননা থৌদোক অদুগী মতাংদা চপ চাবা থিগৎপগী রিপোর্ট পীখৎলক্লবা খঙহনখ্রে। লোয়ননা মফম অদুদা সেক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং ৱাৎপা লৈখিব্রা হায়বদু য়েংশিনগনি হায়খি।


হোম মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোংদোকখিবদা, হৌজিকমক্কী ওইনা ইন্টেলিজেন্সকী মীওইশিংদগী চপ চাবা রিপোর্ট ফংবা লৈত্রি। মাওইষ্টশিংনা মখোয়গী থবক থৌরমশিংদা হন্থরকপগী অকিবা লৈ। মাওইষ্টশিংগী এটেক অদুদা লান্মী কয়াগী পুন্সি মাংখ্রে। মদুগীদমক চপ চাবা পাউখুম পীগনি। পাউখুম পীননবগীদমক সেন্ট্রেল অমসুং ষ্টেট ফোর্সকী কাংবুনা অমত্তা ওইনা থবক চংশিনমিন্নরি। মমাংদা এন আই এ গী লুচিংবা অমা হাৎখিবা লৈখ্রে। মদুগী মতাংদা চপ চাবা রিপোর্ট অমা এন আই এ না পীখৎলক্লবা খঙহনখ্রে।

ইং ২০১৩ দা মাওইষ্টশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা কংগ্রেশ পার্টিগী সেনিয়ার লিদর অমা য়াওনা মীচম ২৭ হাৎখিবা লৈখ্রে। মেদিয়াশিংদা ফোংদোক্লদুনা সিন্ধেনা হায়খিবদা, নেক্সেলশিংগী থবক থৌরমশিং শোন্থরক্লি লোয়ননা লমদম অদুগী এসেমব্লি ইলেক্সন অদু মপুং ফানা পাংথোকপা ঙমখি। হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা কিনরি হায়খি। হোম মিনিষ্টর সুশিল কুমার সিন্ধেনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা মফম অদুদা থুংলবগা লোয়ননা ষ্টেট অদুগী চিফ মিনিষ্টর রমন সিংহ অমসুং হোম মিনিষ্টর রাম সেবক পাইক্রাগা পুন্না মীফম পাংথোকখি। লোয়ননা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা কুপ্পা খন্নখি হায়রি।

ঙসি অয়ুক বাষ্টর দিষ্ট্রিক্কী এদমিনিষ্ট্রেটিভ হেদ ক্কার্টর ওইরিবা জগদলপুরগী পেরেদ গ্রাউন্দদা লৈখিদ্রবা পুলিস অমসুং লান্মীগী মীওইশিংদা ইকায় খুম্নবা উৎখি। থৌরম অদুদা হোম মিনিষ্টর সুসিল কুমার সিন্ধে, ছটিশগরগী চিফ মিনিষ্টর রমন সিংহ, গভর্নর সেখর দট অমদি কেবিনেট মিনিষ্টরশিংনা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎখি। ইকায় খুম্নবা উৎপা থৌদোক অদুগী মতুংদা সুশিল কুমার সিন্ধে অমসুং চিফ মিনিষ্টর রমন সিংহ লোয়ননা ষ্টেট অদুগী হোম মিনিষ্টরগা লোয়ননা মফম অদু থাদোক্তুনা চৎখিবগা লোয়ননা ওফিসিয়েল ওইবা মীটিং অমা পাংথোকখি হায়রি।

# আরবিন্দ কেজ্রিৱালনা মুম্বাইদা কেম্পেইন চত্থবা হৌখ্রে, চরাংনবা থোকখ্রে

**নিউ দিল্লি, মার্চ ১২ ঃ** আম আদমী পার্টি (এ এ পি) গী লুচিংবা আরবিন্দ কেজ্রিৱালনা লাক্লিবা ইং ২০১৪ গী লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা মুম্বাইগী অন্ধেরি ষ্টেসন্দা ভোট খোম্নবা থুংলখ্রে। কেজ্রিৱালনা হায়রিবা মফম অদু য়ৌনা লাকপদা এয়ারপোর্টতগী রিক্সো তোংদুনা লাকখি হায়রি। অদুম ওইনমক এ এ পি গী সপোর্টরশিংনা মখোয়গী লুচিংবা অদুনা মফম অদুদা লাকপদা অয়েৎপা পীবগীদমক মুম্বাইগী চর্চ গেট ষ্টেসন্দা লৈবা মেটেল দিদেক্তর অমদি পোৎলম কয়া মাং তাকহনখি হায়রি।



সপোর্টরশিং অদুনা ফোংদোকখিবদা, লুচিংবা অদুনা মফম অদুদা য়ৌরকখিবা মতমদা উৎলিবা ব্যাবহার অদু আইনগী ৱাংমদনি। অদুম ওইনমক লুচিংবা অদুনা রিক্সো তোংদুনা লাকখিবা মতম অদুদা লমদম অদুগী ত্রাফিক্তা অচৌবা খুদোংচাদবা অমা মায়োক্লহনখিবা অদু খঙই হায়রি। লুচিংবা আরবিন্দ কেজ্রিৱালনা নিউ দিল্লিগী মেত্রো ট্রেন তোংদুনা চৎখিবা লৈখ্রে। মহাক্না মুম্বাইদা য়ৌরকখিবা মতমদা রিক্সো তোংদুনা চৎনবগী অপাম্বা ফোংদোরকখি হায়রি।

পাউ অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা বি জে পি পার্টিগী লুচিংবা সনিয়ানা হায়খিবদা এ এ পি পার্টি অসি দ্রামাগী কাংবু অমনি। মখোয়না মীচমশিংবুদি মশিং থাদে হায়খি। মহাক্না থুংলগদবা মফম অদুদা মীওই কয়ানা মহাকপু ঙাইদুনা লৈখি। অদুম ওইনমক ভোটরশিং অদুনা মহাকপু চপ চানা থাজরৱা হায়বদুদি নত্তে। এ এ পি না অঙাও অফৈগুম্না মীয়ামগী পুক্নিং চিংশিন্নবা হোৎনরি হায়না সনিয়ানা মখা তানা ফোংদোরক্লি। সিবা সেনাগী স্পোক্স পার্সন রাহুল নরভেকরনা এ এ পি গী মতাংদা হায়খিবদা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না এ এ পি দা থাজবা থম্বগী মতাংদা অমুক হন্না খন্থনিংঙাই লৈ।

ঙসি অঙনবদা আরবিন্দ কেজ্রিৱালগী মেম্বরশিংনা মুম্বাইগী দোমেষ্টিক এয়ারপোর্টতা থুংলবদগী ইরাং শাগৎপা হৌরকখি। মহাক্না থুংলখিবা টার্মিনেল ১-এ দা নুপী অমসুং মীওই কয়ানা পুনশিন্দুনা মহাক্কী মরমদা খন্ন-নৈনখি। আম আদমী পার্টিগী লুচিংবা আরবিন্দ কেজ্রিৱালনা ঙসি য়ুমশকৈশা নুমিৎকী নুমিৎয়ুংবা মতুং ফাওবা মফম অদুদা লৈদুনা ভোট খোম্বগী থবক চত্থগনি। সাউথ মুম্বাইগী লমদমদা জনা সভা মীফম পাংথোক্তুনা অৱাং নোংপোক থংবা পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিশিংদা ভোট খোম্বগী থবক চত্থগদবনি। হান্নগী বেঙ্কর মিরা সনিয়েলনা সাউথ মুম্বাইদা মীখল থেংনগদৌরি। হায়রিবা মফম অদুমক্তদা সোসিয়েল এক্টিভিষ্ট মেধা পাটকরসু মীরেপ ওইগদৌরি।

দিল্লিদা আম আদমী পার্টিনা চাউনা মায় পাকখ্রবা মতুং মহারাষ্ট্রদা ভোট খোম্বগী থবক চত্থরকপা অদু ঙসিগী থৌদোক অসিনা অহানবনি। মমাংদা এ এ পি না মহারাষ্ট্রদসু মখোয়গী মীওইশিং থাদোক্তুনা করপসন অমসুং ইলেক্ট্রিসিটিগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোকখিবা লৈখ্রে।

AVAILABLE BRICKS IN THE FOLLOWING PRIZE

| Class | Rate | Brick | Amount | Gari Charge | Labour | Total |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1st | Rs. 9.50 | 3000 | Rs. 28500 | Rs. 3000 | Rs. 600 | Rs. 32100 |
| 1st | Rs. 9.50 | 2000 | Rs. 19000 | Rs. 2000 | Rs. 400 | Rs. 21400 |
| 1st | Rs. 9.50 | 1500 | Rs. 14250 | Rs. 1500 | Rs. 350 | Rs. 16100 |
| 1st Rej. | Rs. 7.50 | 3000 | Rs. 22500 | Rs. 3000 | Rs. 600 | Rs. 26100 |
| 1st Rej. | Rs. 7.50 | 2000 | Rs. 15000 | Rs. 2000 | Rs. 400 | Rs. 17400 |
| 1st Rej. | Rs. 7.50 | 1500 | Rs. 11250 | Rs. 1500 | Rs. 350 | Rs. 13100 |
| 2nd | Rs. 9.10 | 3000 | Rs. 27300 | Rs. 3000 | Rs. 600 | Rs. 30900 |
| 2nd | Rs. 9.10 | 2000 | Rs. 18200 | Rs. 2000 | Rs. 400 | Rs. 20600 |
| 2nd | Rs. 9.10 | 1500 | Rs. 13650 | Rs. 1500 | Rs. 350 | Rs. 15500 |
| Peti | Rs. 6.90 | 3000 | Rs. 20700 | Rs. 3000 | Rs. 600 | Rs. 24300 |
| Peti | Rs. 6.90 | 2000 | Rs. 13800 | Rs. 2000 | Rs. 400 | Rs. 16200 |
| Peti | Rs. 6.90 | 1500 | Rs. 10350 | Rs. 1500 | Rs. 350 | Rs. 12200 |
| 3rd | Rs. 3.90 | 3000 | Rs. 11700 | Rs. 3000 | Rs. 600 | Rs. 15300 |
| 3rd | Rs. 3.90 | 2000 | Rs. 7800 | Rs. 2000 | Rs. 400 | Rs. 10200 |
| 3rd | Rs. 3.90 | 1500 | Rs. 5850 | Rs. 1500 | Rs. 350 | Rs. 7700 |

Contact:- 9856052197, 9862048579 (Sunday closed & Phone switch off)
PIS Brick Field, Wangjing Saban Chekon Leikai